**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-09.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা মনিপুর ষ্টেট কোওরেটিব বেঙ্ক লিমিটেদকী অনৌবা ব্রাঞ্চ অনি ঙসি শঙ্গাখ্রে।

২) সেনাপতিদা লৈবা মন্দির মৈ থানবা হোৎনরম্বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

৩) নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী তৌসেম এরিয়াদা চখরম্বা মতম কক্তবা বন্দ হন্দোকখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহারাস্ত্রদা ল্পা কোতি লিশিং ২২,৬০০ হেনবগী প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাখ্রে, খরগীনা যাত্রা হুনখ্রে।

অমসুং

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা সিয়াচেন গ্লেসিয়ারদা চৎপা লৈবাক অসিগী অহুমসুবা রাষ্ট্রপতি ওইরে।

------

সি.এম (এল) ঃ মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা মনিপুর ষ্টেট কোওরেটিব বেঙ্ক লিমিটেদকী অনৌবা ব্রাঞ্চঅনি ঙসি শঙ্গাখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা পাঙথোকপা

থৌরম অমদা মনিপুর ষ্টেট কোওরেটিব বেঙ্ক লিমিটেদকী ময়াং ইম্ফাল অমসুং মোইরাংগী ব্রাঞ্চশিং হাংদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মমাংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। লাঞ্জেন্নরকপা মীওই কয়া অমনা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌরি। রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা বেঙ্ককী খুদোংচাবা ফংহন্নবগী পান্দমদা সরকারনা অনৌবা বেঙ্ক ব্রাঞ্চশিং হাংদোকবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। মহাকা হায়- নেসনেলাইজ বেঙ্ক খরদি লোন পীবদা মখোয়গী চৎন কাংলোন ঙাকা চৎনবা হোৎনবদা  লোন পাম্বা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি। অদুবু মণিপুর ষ্টেট কো-ওপরেতিভ বেঙ্ক লিমিতেদকী ওইনদি হায়রিবা চৎন কাংলোনশিং অসি খরা কোমথোক্তুনা লোন পীবদা লাইথোকহল্লি। বেঙ্ক অসিনা লাইরবা মীওইশিং অমদি লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা লোন পীবগী থবক চথরি।

মণিপুর ষ্টেট কো-ওপরেতিভ বেঙ্ক লিমিতেদনা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিংবু শিংথারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- কো-ওপরেতিভ বেঙ্গ অসিনা গ্রাস রুট লেবেলদগী হৌদুনা নুপীশিংগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ লিশিং ১,১৯৫ দা শেন্থং পীরি। ষ্টার্টঅপ স্কিমগী মখাদা লুপা কোতি ১৫ গী  লোন পীরি। লোন লৌরিবা মীওইশিংনসু শেনফমশিং অদু নিংথিনা শিজিন্নদুনা মতম চানা লোন শিংদোকপগী হৈনবী লৈনবা মুখ্য মন্ত্রিনা তকশিনখি।

থৌরম অদুদা মণিদকোগী চেয়ারমেন অমসুং ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রগী এম.এল.এ. কে. রোবিন্দ্রো, মোইরাংগী এম.এল.এ. থোঙাম শান্তি, চীফ সেক্রেটরি ডাঃ বিনিত জোসি অমসুং মনিপুর ষ্টেট কোওপরেটিব বেঙ্ক অমদি নবার্দকী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

সেনাপতি (এল)ঃ  সেনাপতিদা লৈবা শ্রীশ্রী পাসুপতিনাথ সিধেশ্বর মন্দির থা অসিগী ২৫ গী অঙনবা মতম পুং ১ তারকপদা মৈ থানবা হোৎনরম্বগী থৌদোক

থোকখ্রবা মতুংদা হৌজিক মফম অদুদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমী এ. হেখিনিনা হায়- জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা মন্দির কমিতিগী মেম্বরশিংগা মীফম পাঙথোক্লুনা ৱারী শান্নখ্রে। মীফম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থৌদোক অদুবু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা মরাল লৈবশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা চপ চাবা দন্দি পীগনি হায়না থাজবা পীখি। থৌদোক অসিগী মতুংদা কাংলুপকী ওইবা উংখৎনবা ফিভম থোকহল্লকপা য়াবা অরানবা পাউশিং শন্দোরকপা থিংনবা হোৎনমিন্নশি হায়নসু দিপ্যুতি কম্মিসনারনা মন্দির কমিতিদা আপীল তৌখি। সেনাপতিগী এস.পিনা মন্দির অসিগী অকোইবদা নিংথিনা ঙাক শেন্নবা সেক্যুরিতিগী অখন্নবা টিম থমখ্রে। মসিগী মথক্তা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরস অসিদা লৈরিবা ধর্ম্মগী মফমশিং অমসুং মহৈ লোইশঙশিং নিংথিনা ঙাক শেন্নবসু থবক লৌখৎলে। জিলা অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনা মহৌশাগুম নুংশি চান্নবা কাংলুপ খুদিংমকা পুন্না লৈমিন্নবা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা আপীল তৌরি।

ইরাবত (এল)ঃ লময়ান ইরাবত ট্রষ্টনা শিন্দুনা ঙসি লুচিংবা অসিগী পিশুম ওইনাম লৈকাইদা লৈবা মহাক্কী পোকফমদা লাংবন হৈশোই তন্বা, হৈথা লৈথাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা হান্নগী মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মেম্বর ঙাংবম নোংয়াইনা হিজম ইরাবতগী মরমদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। ইরাবত মেমোরিয়েল চেরিটেবল ট্রষ্ট ওইনাম লৈকাইনা শিন্দুনা পিশুমথোং ওইনাম লৈকাইদা লৈবা ইরাবতকী মুর্তিদা তর্পন কৎপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ইম্ফাল ষ্টকী কৈবী মনাচীংদা লৈবা হিজম ইরাবতকী মুর্তিদসু ইরাবত মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা শিন্দুনা তর্পন হৈশোই কৎখি।

লময়ানবা হিজম ইরাবত লৈখিদবগী ৭৩ শুবা নিংশিং থৌরম ঙসি বিষ্ণুপুরগী কিয়াম্বা নিংশিং শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। হিজম ইরাবত নিংশিং

থৌরম ওবজার্ভেসন কমিতিনা প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কমিতি মণিপুরগী মখাদা শিনবা থৌরম অদুদা লৈখিদবা লুচিংবা অসিগী ফোটোদা মীয়ামা লৈ কৎখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা হিজম ইরাবতনা পাঙথোক্লম্বা থবক থৌরমশিং শিংথাখি।

মনকি বাট ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মনকি বাট- পুকিংগী ৱাগী ১১৪ শুবা ইপিসোদ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি।

মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিগী ৱারোল পীবা হেক লোইবগা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎতুমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ত লোলশিং পৌমাই, মার, পাইতে, কবুই, থাদৌ, মাও অমসুং তাঙ্খুলদনা মথং নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

বন্দ (এল)ঃ  তৌসেম সব-দিভিজনগী জোইন্ট সিভিল ওর্গনাইজেসননা নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী তৌসেম এরিয়াদা ঙরাংদগী হৌনা চত্থরম্বা মতম কক্তবা বন্দ হন্দোকখ্রে। তমেংলোংগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অমসুং ওর্গনাইজেসন অসিগী মীহুৎশিংগা ফম্মিন্নদুনা য়ান্নবা পুরকপদগী বন্দ অসি হন্দোকখিবনি।

অমরোমদা, বন্দ অসিনা মরম ওইদুনা জিরিবামদা পনদুনা লৈরম্বা পোৎ চৈ পুবা গাড়িশিং হয়েংদগী সেক্যুরিতি এস্কোর্টকা লোয়ননা ইম্ফাল্লোমদা থোক নবা থৌরাং তৌরে হায়রি। গাড়িশিং অদুগী মনুংদা এল.পি.জি গাড়ি ১৯, থাউ পুবা গাড়ি ৩৫ অমসুং অতৈ পোৎ পুবা গাড়ি ৩৩ য়াওরি।

তোবেকো (এল)ঃ  দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মিসন সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা ঙসি ৱার্ল্ড নো তোবেকো ডে পাঙথোকখ্রে। কৈশোমথোং মোদেল হাইস্কুলদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সি.এম.ও ডাঃ এল. জোয়কুমার

সিংহ, দিষ্ট্রিক্ট ট্যুবরকুলোসিস ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্ট ডাঃ এল. শঞ্জয় শরুক য়াখি। ডাঃ এল. জোয়কুমার সিংহনা হায়- হৌগৎলক্লিবা নহাশিং ময়াই কাবা চীঞ্জাক অমদি হিদাক মনানচিংবা শিজিন্নদনবা হোৎনবদা মমা মপা অমদি ওজাশিংগী য়ামা চাউবা থৌদাং লৈ।

থৌবাল (এল)ঃ মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ঙসি ৱার্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন ডে পাঙথোকখ্রে। মণিপুরদসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি, দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম অমসুং নেসনেল হেলথ মিসন্না পুন্না শিন্দুনা ৱার্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন ডেগী পালন থৌরম থৌবাল ওক্রম ৱাংমতাবদা লৈবা নিউ ইরা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডাঃ দব্লিউ. রুহিনিকুমার, দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম থৌবালগী নোদেল ওফিসার অমদি সাইকিয়াত্রিষ্ট ডাঃ হৈক্রুজম জিনা অমদি সি.এম.ওশিং শরুক য়াখি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সুইসাইদ হায়বসি কমদৌনা থোকহল্লি অমসুং মসি থোক্তনবা ঐখোয়না করমা হোৎনগনি হায়বগী মতাংদা এক্সপার্টশিংনা ৱা ঙাংখি।

হোমগার্দ (এল)ঃ হাই কোর্ট ওফ মণিপুরনা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী প্রমোসন পীবগী চৎন পথাপ অমা অথুবদা শেমনবা রাজ্য সরকারগী মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

মণিপুর হোম গার্দ হমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই. মঙ্গিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- হাই কোর্টকী জজ, জষ্টিস এ. গুনেশ্বর শর্ম্মগী বেঞ্চনা হোম গার্দশিংগী প্রমোসন পীবগী চৎন পথাপ শেমবা রাই অসি হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পীখিবনি। লোয়ননা থা অসিগী ১৯ দা বেঞ্চ অসিমকা হোম গার্দশিংগী সেনিয়ারিতি লিষ্ট শেমবা লিংখিবা কমিতিগী

চেয়ারমেন অমসুং মেম্বর হাপবা রাই পীখি।

চেরোল অসিনা হায়- হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী হোম গার্দশিংনা মতম শাংনা ঙাইরকপা কেস অনিগী রাই পীরকপা অসিমক য়ামা লাইবক ফবনি। মসিগীদমক জষ্টিস এ. গুনেশ্বর অমদি পিটিসনরগী কাউন্সেল ওইরিবা সেনিয়র এদভোকেট এম. হেমচন্দ্র এসোসিয়েসনগী মাইকৈদগী থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

নোনে (এল)ঃ  নোনে জিলাগী লোংমাই বজারদা ঙসি স্বাচতা হি সেবা ২০২৪ গী শরুক অমা ওইনা লমশাং লমজেল অমসুং লম তু শেংবগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে। লমশাং লমজেল অদু নোনে ব্রিজ পোইন্টতগী হৌরগা নোনেগী ওইল পম্প ফাওবা চেনখি। লমশাং লমজেল অদুদা নোনে দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী পার্সোনেল অমসুং জেদ.ই.ওগী ষ্টাফশিং পুন্না মীওই ১০০ রোমা শরুক য়াখি। থৌরম নোনে দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং জেদ.ই.ও নোনেনা পুন্না শিনবনি।

এআর (এল)ঃ  অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নোনে জিলাদা অশোক অপন নংলবা মীওইশিংদা ফার্ষ্ট এইদ করমা পীগদগে হায়বা অমদি সেনিটেসন এন্দ হাইজিনগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী গাইদিমজাং ভিলেজদা লৈবা তাজৈ পাব্লিক স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহৈরোই ৪৯ অমদি ওজা ৬ না শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা অকোইবগী ফিভম লু-নান্না করমা থমগনি, ফত্ত-হাউদি মফম চানা লংথোকপা অমদি ফার্ষ্ট এইদ পীবগী কান্নবগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনখি।

থিয়েটর (এল)ঃ  মণিপুরগী অরিবা থিয়েটরশিংদগী মশক নাইবা থিয়েটর অমা ওইরিবা অরিয়ান থিয়েটরগী ৮৯ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা শকাইরবা ইজ্কেসনিষ্ট প্রোফেসার অরাম্বম লোকেন্দ্রদা থিয়েটর অসিনা ওর্নরেরি লাইফটাইম প্রসিদেন্ট লান্থোক্তুনা ইকায় খুমখ্রে। শ্রী লোকেন্দ্র মমাংদগী থিয়েটর অসিগী প্রসিদেন্টকী থৌ পুরম্মী।

পোসন (এল)ঃ ইন্তিগ্রেতেদ চাইল্ড দিভলপমেন্ট স্কিম (আই.সি.দি.এই) লিলোং প্রোজেক্টনা শিন্দুনা ঙসি রাষ্ট্রিয়া পোসন মাহগী থৌরম অমা লিলোং লৈপ্রকপমদা পাঙথোকখ্রে। পোসন অভিয়ানগী মখাদা থা অসিগী ১ দগী চত্থরকপা থৌরম অসিনা অঙাং অমসুং মীরোনবী নুপীশিংবু মচি ওইবা চীঞ্জাক পীজবগী কান্নবা খঙহন্নবা হোৎনরি। থৌরম অদুদা থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসার (দি.পি.ও), আই.সি.দি.এস লিলোং প্রোজেক্টকী চাইল্ড দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট ওফিসার, মেদিকেল টিম অমদি মফম অদুগী প্রধান্নচিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

ইস্কোন (এল)ঃ ইম্ফালগী ইস্কোন মন্দিরদা গুরু ভক্তিব্যাস তির্থ স্বামিগী ৯৬ শুবা মপোক নুমিৎ পালন ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ভক্তশিংনা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা অমদি শান্তি হঞ্জিল্লকবা ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজখি।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহারাস্ত্রদা লুপা কোতি লিশিং ২২,৬০০ হেনবগী প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাখ্রে, খরগীনা যাত্রা হুনখ্রে। প্রধান মন্ত্রিনা পুনেদা চৎতুনা দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতগী স্বার গেট তমা চৎকদবা মেত্রো ত্রেনসু লমথাখি। সুপর কম্প্যুটিং টেকোলোজিগী লমদা ভারতপু মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইনবা থৌরাং অদুগী শরুক অমা ওইনা প্রধান মন্ত্রিনা পারম রুদ্রা সুপর কম্প্যুটর অহুম লৈবাক অসিগী মীয়ামদা খুৎশিন্নখি। সুপর কম্প্যুটর অসি নেসনেল সুপর কম্প্যুতিং মীসনগী মখাদা লুপা কোতি ১৩০ চংনা লৈবাক অসিদা শাজবনি। হায়রিবা কম্প্যুটর অসি পুনে, দিল্লি অমসুং কোলকাতাদা থমদুনা সাইন্টিফিক রিছার্সতা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ঈশিং নুংশিৎকী মরমদা থিজিনগদবা অৱাংবা থাক্কী কম্প্যুটিং সিষ্টেম অমসু শঙ্গাখি । লুপা কোতি ৮৫০ চংনা পায়খৎখিবা প্রোজেক্ট অসিনা মেতিওরোলোজিকেলগী লমদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি লদাখকী সিয়াচেন বেজ কেম্পতা চত্তুনা সিয়াচেন গ্লেসিয়ারদা মথৌ তৌরিবা ওফিসারশিং অমদি লান্মীশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

কা হেন্না ইংবা মফম অদুদা লান্মীগী মীওইশিংনা লৈবাক অসিবু ঙাক শেনবগী লমদা লৌরিবা থৌদাংশিংবু রাষ্ট্রপতিনা থাগৎপা ফোংদোকখি। মফম অদুদা মথৌ তৌরিবা লান্মীশিংগী ইমুং মনুং অমসুং মরী মতাশিংবুসু শ্রীমতি মুরমুনা থাগৎখি। সিয়াচেন বেজ ৱার মেমোরিয়েলদা রাষ্ট্রপতিনা ৱার হিরোশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা সিয়াচেন গ্লেসিয়ারদা চৎপা লৈবাক অসিগী অহুমসুবা রাষ্ট্রপতি ওইরে। মহাক্কী মমাংদা রাষ্ট্রপতি ওইরম্বা এ.পি.জে. অবদুল কলাম অমসুং রামনাথ কোবিন্দসু মফম অদুদা চৎখ্রে। সিয়াচেন গ্লেসিয়ার অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা মিলিটরি বেজনি।

ধরমেন্দ্র ঃ বিরোধি দলশিংনা সাসন তৌবা রাজ্যশিংদা নহারোলশিংদা থবক পীবা ঙমদ্রে হায়না কেন্দ্রগী মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না হয়রি।

পেরিওদিক লেবর ফোর্স সর্ভে ২০২৩-২৪ গী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা শ্রী প্রধান্না বিরোধি দলনা সাসন তৌবা রাজ্যশিংনা থবক পীনবা নিংথিনা হোৎনদে হায়না মরাল শিরি। সর্ভে অসিগী রিপোর্ট মতুংইন্না কেরলানা লৈবাক অসিগী মনুংদা থবক ফংদবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা রাজ্যনি হায়রি। রাজ্য অসিগী চহি ১৫ দগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংগী মরক্তা থবক ফংদবগী চাং অসি চাদা ২৯.৯ ওইরি। মসিগী মরুওইবা মরম অমদি শেল লান্না শিজিন্নবা অমসুং থৌশিল থৌরাংশিং নিংথিনা পায়খৎতবদগীনি। বি.জে.পিনা সাসন তৌবা রাজ্যশিংগা চাংদমরদুনা শ্রী প্রধান্না হায়- মধ্য প্রদেশ অমসুং গুজরাত্তদি থবক ফংদবগী সমস্য অসি নিংথিনা লাকশিন্দুনা চৎলি।

------